চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

IMPHAL,SATURDAY, 26 MARCH 2016
থাংজ, লমতাগী ১৮ নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 119 Page : 8 | Price: 3.00

ঙসিগী অঙৌং-অশা : শাবগী চাং ঃ ৩৯° সি, ঈংবগী চাং ঃ ১৬° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৯ | নোংজুগী চাং : ১ এম এম

HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
190LT REFRIGERATOR; 24"LED FULL HD; 7.2KG H11/13 WASHER: ₹ 29999/-
190LT REFRIGERATOR; 32"LED VIDEOCON; 7.2KG H11/13 WASHER: ₹ 35999/- TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
190LT REFRIGERATOR; 24"LED SAMSUNG; 7.2KG H11/13 WASHER: ₹ 30700/-
190LT REFRIGERATOR; 32"LED VIDEOCON; 7.2KG H11/13 WASHER: ₹ 35999/- TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL



য়াওশঙগী হুন্নিচনবা নুমিৎতা ওইখিবা য়াওশঙ শান্ন খোৎনবগী কুম্হৈগী

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মায় পাকপা হায়বসি নুংঙাইবগী পাম্বৈ নত্তে। নুঙাইবনা মায় পাকপগী পাম্বৈনি। করিগুম্বা নহাক্না তৌরিবা নথৌ অদুদা নাঙাইবা ফাওবা ঙম্লবদি নহাক মায় পাকপগুম্বনি।

## ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট য়ান্নদ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৫ ঃমণিপুরদা লৈরিবা নাগাশিংনা য়াম্না পাম্না ঙাংনরিবা আগষ্ট ৩,২০১৫গী ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদু নাগালেন্দদদি শাথীনা য়ান্নদ্রে।

লালহৌলুপ এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা সহি তৌনখিবা ফোঙদোক্তবা এগ্রিমেন্ট অদুদা নাগা সেক্সন কয়ানা অকনবা ৱাহং তৌনরকপগা লোয়ননা চৎনবা য়ারোইদৌবা ফিভম অমদা লাক্লে হায়না কোহিমাদগী ফঙবা পাউ অমনা হায়রি।

কোহিমাদা পাঙথোক্লিবা নাগালেন্দ এসেমব্লিগী বজেৎ সেসনদা এম এল এ অয়াম্বনা নাগা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাথোক অসি অখন্নবা লালহৌলুপ অমত্তগা য়ান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোক্নরে।

ওপোজিসন অমত্তা লৈতবা নাগা লেন্দ এসেমব্লিগী রুলিং এম এল এ কয়ানা নাগা লালহৌ অমদি অসিগী ৱারোইশিনগী মতাংদা হজ্ঞিন-হজ্ঞিন নৈনরি। অমদি ফোঙদোক্তবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকফম থোকই হায়না কন্না দিমান্দ তৌরি।

## সনালৈবাক ছুটি লৈরোই

*সনালৈবাক পাউ-চেগী ওফিস য়াওশঙ কুম্হৈ মনুংদা ছুটি লৈরোই। পাউ-চে অসি অদুম্মক য়াওশঙ মনুংদসু মীয়ামগীদমক ফোঙজগনি। অদুনা মহৌশাগুম্না প্রেস নোট, প্রেস রিলিজ অদুম্মক থাবীরক্লবা মরী লৈনবশিংদা নোলুক্না হায়জরি। ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংসু পাউ-চে অসিগী টেলিফোন নম্বর নংত্রগা ঈ-মেলদা খঙহনবীরক্লবসু নিংশিংজরি।*

*-ইডিটর*

## লোইরেদনা

২শুবা মেটচকী টিম অনিনা শান্নবদা পুখ্রম্বম পুকচাওগা শঞ্জেমবম শজাওগা বোল মুন্নগে তৌবদা পুক অনিগী মরক্তা বোল কায়দুনা মথংগী মেটচ য়ৈথোক্লে.



## হেক্তা হায়জিনবা

লাক্লে লাক্লে কুমগী য়াওশঙ
স্পোর্টস তৌরে থাবল চোংলে
পৈশা খায়রে থবক থারে
লাক্লে লাক্লে কুমগী য়াওশঙ
মথী ফোঙলে সোসিয়েল ৱার্কর
পৈশা চৎলে থাবলগী লীলাগী
লাক্লে লাক্লে কুমগী য়াওশঙ
মখেল লাংলে থানা ত্রাফিক
পৈশা খোম্লে লম্বী লম্মাংদগী
লাক্লে লাক্লে কুমগী য়াওশঙ
ফাইনান্সিয়েল ইয়ারসু ফাওজি
ন্নরে, চেজেৎ-চেগাই ওল্লে পৈশা
লাক্লে লাক্লে কুমগী য়াওশঙ
নোকফেৎ তৌরে মোজাফুরিৎ য়োনবা
তুমিন্না শোল্লি পংখ্রেদা মৈতৈশিং

# নিয়ম ঙাক্না চৎনদবনা অচৎ অওক তৌরিবশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৫ ঃ লম্বীদা ইঞ্জিন পানবা গারী থৌরিবশিংনা গারী থৌবগী নিয়ম ঙাক্না চৎনদবনা অচৎ অওক তৌরিবশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে।

মণিপুরদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট অমদি লনাই লোইশঙ অয়াম্বা য়াওশঙগী ছুটি ওইনখিবনা লম্বীদা গারী থৌবগী চাং য়াম্না হন্থদুনা লম্বী চিনবগা ত্রাফিক মেনেজমেন্ট তৌবদা অৱাবা ওইবগী চাং অদু হন্থখ্রবসু অহাংবা লম্বীদা ইঞ্জিন পানবা গারী কয়া থৌরিবশিংগী মরক্তগী গারী থৌবগী নিয়ম ঙাক্না চৎনদবা কয়া য়াওরি।

টিদিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী ক্বাকৈথেল, ইম্ফালদগী কাঞ্চিপুর লম্বী অসি মণিপুর গভর্নমেন্টনা নিংথিনা শেমজিনবদগী লম্বী ময়াইদা রেল্লিং শাংনা শাংনা খাজিনখিবদগী চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা থোক্লি। য়াম্না শাংনা শাংনা কান্নরগা লম্বী লাম্থোক লানশিন তৌফম থম্বনা লম্বীসিদা ইঞ্জিন পানবা মখল খুদিংগী গারী থৌরিবশিংনা লম্বী লাম্থোকফম থল্লিবা মফমশিং দগী গারী মমায় লৈনিংদবা য়াওরি। মসিনা মরম ওইদুনা রোং সাইটতা থৌজিন্নরি। লম্বীগী নিয়ম ঙাক্তনা গারী থৌরিবশিংনা মায়কৈ লান্না হায় বিম লাইট থান্দুনা গারী থৌজিন্নবনা নিয়ম চুম্না গারী থৌরিবশিং দসু নুঙাইতবা থোকহল্লি।

নুমিদাংগী মতমদদি নেস্নেল হায়ৱেগী লম্বী য়াওনা মরুওইবা লম্বী কয়াগী লম্বী তঙ্খায় থিংদুনা থাবল চোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবনা অচৎ অওক তৌরিবশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। লম্বী তঙ্খায় থিংদুনা থাবল চেংফমদদি থাবল চোংবা লাকপশিংনা পুনরকপা মখল খুদিংগী গারীশিং পং খামদা খামজিন্নবনা লম্বী চিনবগী চাংসু হেনগৎহন্নবগী মরম ওইরি।

ইম্ফালগী মনুংগী লম্বী থিংদুনা থাবল চোংফমদা লৈরম্বা মীওইশিংনা ফোংদোক্নরকপদা, লম্বী চিলহন্নবগী মরম ওইরিবা মফম চাদনা গারী খাল্লিবশিং অসি গভর্নমেন্টগী মরি লৈনবা মীওইশিংনা চেকশিন্না য়েং শিনহন্নিংই। নুমিদাংগী মতমদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা হেলমেটনচিংবা উপ্তনা গারী য়াংনা য়াংনা থৌরি। গারী থৌবা য়ারে হায়বগী মরি লৈনবা চে চাং শুদনা গারী থৌবশিং সু য়াওরমগনি।...মখা লমায় ৫ দা

### ত্রাফিক্কী দ্রাইবতা ঙসি লুপা ৮৪, ৬০০ খোমগৎখি

*য়াওশঙ হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদগী মণিপুর পুলিসনা চত্থরকপা ত্রাফিক্কী দ্রাইবতা পুন্না নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা কে ১৯৮৪ লৌখৎতুনা ঙরাং মার্চ ২৪ ফাওবদা লুপা ১,৭৪,৫০০ রোমগী চলান কক্তুনা শেল খোমগৎখ্রবা মতুং ঙসিসু কেস ৮০০ মোটোর ভেহিকলস এক্টকী মখাদা লৌখৎতুনা লুপা ৮৪,৬০০গী শেনফম খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।*

*হায়রিবা ত্রাফিক্কী দ্রাইব অসি মখা তানসু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টদিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চত্থখিগনি। দ্রাইব অসি মরুওইনা নিয়ম কায়না গাড়ি থৌবা, হেলমেট উপ্তবা, কা হেন্না স্পিদতা গাড়ি থৌবা, টু হ্বিল্লরদা অহুম তোংশিন্দুনা থৌবা, চে-চাং শুদবা, ফোর হ্বিল্লরদা টিন্টেদ গ্লাস শিজিন্নবা থিংনবগীদমক চত্থবনি। দ্রাইব অসিনা মরম ওইরগা হন্দক্কী য়াওশঙ মনুং অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্লে হায়নসু মশক তাকথোক্লিংদবা ত্রাফিক পুলিসকী পার্সোনেল অমনা ফোঙদোরক্লি।*

# শর্মিলা মার্চ ২৮দা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি



এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ লমদম অসিদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট (আফসপা), ১৯৫৮ লৌথোকখিনবা দাবি তৌরদুনা চারা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবী ইরোম চনু শর্মিলা পটিয়া কোর্টতা এপিয়ার তৌরুনবগীদমক লাক্লিবা মার্চ ২৮দা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না, লাক্লিবা মার্চ ২৯ অমসুং ৩০দা দিল্লি পুলিসনা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৯ ( মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনবগী মরাল) লৌখৎপা কেস অমগা মরি লৈননা মহাক নুমিৎ অসিদা পার্টিয়ালা হাউস কোর্টতা এপিয়ার তৌগদবনি।

হৌখিবা চহি ইং ২০০৬কী ওক্টোবর ৬ অমসুং ৭ তা দিল্লিগী জন্টর মন্টরদা চারা হেনবগী খোঙজং চংশিনখিবা অদুদা দিল্লি পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখিবা মতুং দগী পাটিয়ালা হাউস কোর্টতা মতম মতমগী ওইনা এপিয়ার তৌদুনা লাকখিবনি।

শর্মিলা কোর্ট অসিনা চৎনবা হোৎনবদা মহাক্না লোয়ননা হিদাক লাংথক, পুলিস অমসুং প্রিজন ষ্টাফশিং লোয়নগদবনা ফন্দগী খুদোং চাদবা লৈবদগী অনিরক কোর্ট অসিদা এপিয়ার তৌবা ঙমখিদবা লৈখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাকপু কোর্টতা পুথোকপা মতমদা মহাক্কী দিল্লিগী খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিগা উন্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিং ...মখা লমায় ৫ দা

# অৱাং নোংপোক্তা টি বিনা নাবা মীওইগী চাদ ৫ চহি খুদিংগী শিরি

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চহি খুদিংগী ওইনা টি বিনা নারবা অনাবগী চাদ ৫দি লায়কন্নবা ঙমদনা শিরি হায়রি।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, টি বি এক্সপার্ট বাবুল দাসনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না চাংচৎ অমা ওইনা, চহি খুদিংগী অৱাং নোংপোক নেসনেল এভরেজগা মান্ননা টি বিনা নারবা মীওই চাদ ৫গী চাংদা শিরি।

তোঙান তোঙানবা টি বিগা মরি লৈনবা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেস্নেল সাইন্তিফিক অমসুং মেদিকেল ইভেন্টশিংদা শরুক য়ারুরবা এক্সপার্ট অসিনা গ্লোবেল টি বি রিপোর্ট, ২০১৫ পল্লদুনা হায়, মালেমগী ওইনা টি বিনা নাবা মীওইশিংগী চাদ ২৩ ইন্দিয়াদা লৈরি।

ইন্দিয়াদা চহি খুদিংগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ২.২ টি বি লায়নানা নারি অমসুং মীওই ২২০,০০০রোম লায়না অসিনা শিরিবা অসিনা লায়না অসি লায়েংনবগী খোঙথাংদা হেন্না মীৎয়েং চংবা মথৌ তারি হায়বা উৎলি।

হিরম অসিগী মতাংদা ভাব তাবা ৱাৎপা অমসুং অনা লায়েংগী খুদোং চাবা ফংদবনা মরম ওইরগা টি বি লায়নাদগী কেন্সর ওল্লকপগী কেস কয়ামরুম থেংনৈ।

ইং ২০১৫দা ত্রিপুরাদা টি বিনা মরম ওইরগা মীওই ১১ লৈখিদে। লোয়ননা টি বিগা মরি লৈননা পায়খৎলিবা অনা লায়েংগী থবক্তা মায় পাকপগী চাং অসি চাদ ৮৯নি। ...মখা লমায় ৫ দা

# ইলিগেল মাইগ্রেন্ট লৈহল্লোইদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ করিগুম্বা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট অমা ওইহনবা তারগদি অসামবু আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপ লৈহন্দবা ষ্টেট অমা ওইহনগনি হায়না বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অপ্পর অসামগী সিবসাগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা বি জে পিগী নেসনেল লিদর অসিনা হায়, করিগুম্বা বি জে পিনা সাসন তৌরবদি অসাম অসি ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট লৈতবা ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইহনগনি হায়না ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহি ৫৫ অসিদা অসামদা কংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খত্তে হায়না কংগ্রেসপু মরাল শিখি। মীয়াম্না শেঞ্জা থুমজা লৈতবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা বি জে পীগী সাসন লাকহনবীনবা আপীল তৌখি।

চহি খুদিংগী ওইনা অসামদা ঈচাউ থোক্লিবা অসি থেংননবা সাইন্টিফিক রোদ মেপ অমা পায়খৎনবা এন দি এ গভর্নমেন্টনা শেম শারে। গভর্নমেন্ট অসিনা রেল লম্বী ফগৎহন্নবা অমসুং লাম্বী...মখা লমায় ৫ দা

# য়ুনাকো গ্রুপসনা মৈরাবা লুৱাংদা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নখ্রে



এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৫ ঃ য়ুনাকো গ্রুপসনা বেদমিন্টন শান্নরোই মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংগী শান্নবগী কেরিয়ারদা হেন্না মায় পাকপা ঙম্ননবা শেলগী মতেং পাঙবগী থৌরম ইম্ফালগী দি এম কলেজ কেম্পস মনুংদা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর হোলদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনাকো গ্রুপকী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর পেবম রাকেস সিংহনা য়ুনাকো গ্রুপসকী মহুৎশিন্দুনা শেলগী মতেং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

পেবম রাকেসনা হায়, শেলগী তেংবাঙ অসি লুপা লাক্ষ অহুম পীগনি। হায়রিবা শেনফম অসি চহী অহুম থংন-থংননা লুপা লাক্ষ অমমম পীগদবনি। য়ুনাকো গ্রুপসনা লমদমসিগী অফবা শান্নরোইশিংবু পুক্লিং থৌগৎতুনা অঙম্বা মতেং পাং দুনা লাক্লি। শিংথানিঙাই ওইরবা মনা কয়া পুরকখ্রবা মৈরাবাবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী মতেং পীবনি।

মখা তানসু লমদমসিগী অফবা শান্নরোইশিংদা য়ুনাকো গ্রুপসনা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

মৈরাবা লুৱাংগী অপোকপা মাইস্নাম রোমেস লুৱাংনা হায়, শান্নরোই অমগী তুংগী কেরিয়ারদা হেন্না মীথোই মীহেনবা ঙম্নবা শেলগী মতেং পাংবীবদা নুঙাইবা ফাওই। অসুক য়াম্বা শেলগী তেংবাঙ শান্নরোই অমদা মতেং পাঙলকপসি ঙসিগীসিনা অহান্বা ওইগনি খল্লি। শেলদা নত্তনা মোরেল সপোর্ট পীবিসিনা মৈরাবাগী স্পোর্টিং কেরিয়ারদা হেন্না মীথোই-মীহেনবা ঙমগনি হায়খি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী এম এল এ বিজয় কোইজম য়াওনা শক্নাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং মথং থা এপ্রিলগী তাং ৬ তগী ১০ ফাওবা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদবা বি দি এ য়ুঠ ইন্টরনেস্নেল ওপন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক এপ্রিলগী তাং ৩ দা ইম্ফাল থাদোক্কদবনি।

ইন্টরনেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ অদু লোইরবা মতুং বেঙ্কোক্তা লৈবা বম্ভোং য়োর্দ বেদমিন্টন স্কুল অমদি মালেসিয়াদা চৎতুনা মেগী তাং ৩০ ফাওবা লৈথদুনা বেদমিন্টনগী ট্রেনিং তৌরক্কনি হায়রি।

# বেরিকেদতা থোমজিনবদা অহল ১, য়ু ঙাওরগা থৌরকপা গারীনা থোম্বদা ওতো দ্রাইভর ১ মীওই ২ শিরে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা থোকখিবা লম্বীগী লাইবক থিবা থৌদোক ওইনা লম্বীদা ত্রাফিক কন্ট্রোলগী খাদুনা থম্বা বেরিকেদতা থোমজিনবদা অহল ১ অমদি গারী মনুংদা য়ু থক্ক থক্কগা থৌরকপা গারীনা থোম্বদা অতো দ্রাভর ১ পুন্না মীওই ২ শিরে হায়রি।

তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা লৈখিদ্রবা মীওই ২ অদুদি পোৎসংবম জোয় (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা বিরেন্দ্র, ক্বাকৈথেল অৱাং থিয়াম লৈকায় অমদি লোংজম রতন (২৬) অপোকপা তোম্বা, চাঙাংগৈ মখা লৈকায়নি হায়রি।

অহানবা থৌদোক অদু ইম্ফাল সিটি পুলিসকী মনুং চনবা নিট্যাইপাৎ চুথেক ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাং দা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল ৩ রোম তাবদা পোৎসংবম জোয় (৬০)না হোন্দা এক্টিভা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০১সি ৫৬২০ অসি কংলাগী মনিংথংবা গেৎলোমদগী মখা পাংনা থৌরকপদা গভর্নরগী গেৎ মপাগী ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা ত্রাফিক কন্ট্রোল তৌনবা থল্লিবা বেরিকেদতা থোমজিনদা গ্যান মাংলগা সোরোক্তা গারীগা পুন্না তারগা লৈখি। মদুদা মনাক্তা লৈরিবা ত্রাফিক আইলেন্দ অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা ত্রাফিক পুলিস অদুনা চেনশিন্দুনা য়েংবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পুখৎনবা লম্বীদা লাকপা গারী কয়া খামখি মদুদা সেটতা পাউ ফাওনরিঙৈদা কার অমদা লাকপা নহা খরনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা জোয় ময়ুমদগী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা থোকখিবনিস হায়রি।

অতোপ্পা অনিসুবা থৌদোক অদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ রোম চৎপদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টিদিম লম্বীগী মালোম টুলিয়াইমাদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফঙবা পাউনা হায়, নাগামপাল টু মালোম পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অতোরিক্সো রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০৭ ২৩৮০ অসি লোংজম রতন (২৬)না মলোমদগী অৱাং পাংনা পেসেঞ্জর হাপ্লবা থৌগৎলকপগী লম্বী মালোম টুলিয়াইবা মপা য়ৌরকপদা মখা পাংনা খোংজেল য়াংনা থৌরকপা তাতা সফারি এম এন ০- ১ এস ৬৯৭৮ অসিনা সাইদ লান্না থৌজি ল্লক্তুনা থোম্বদগী ওতোরিক্সো অদু লৌবা য়াদবা মওংদা অকায় অতোয় থোকখি অমদি ওতো অদুবু থৌরকপা দ্রাইভর রতনসু শাথিনা শোকখি হায়রি।

মদুদা সফারি অদুবু থৌরকইবা মীওই অদুনা মহাক্কী গারী অদুবু হুন্দোক্লম্লগা লম্বীদা লাকপা কার অমা ফাদুনা শোক্তুনা লৈরবা ওতো দ্রাইভর রতনবু রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলম্লগা মাংখ্রে। অদুগা সফারি অদুদা য়াওরকখিবা ত্রাইবেল মানবা নুপি ১গা, অতোপ্পা নুপী ২গা পুন্না...মখা লমায় ৫ দা

# বোম পোকখায়হনবা য়ানিংদবা উৎখ্রে

এসএনএস



ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৫ ঃ খোঙমন জোন ৫গী ইরোম লৈরক্তা লৈবা থিংঙুজম মুনিন্দ্রো ( ইমুলুকো)কি য়ুমগী থোঙ্গানদা শক্তি লৈরবা আই ই দি বোম্ব ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.১৬রোম চৎপদা পোকখায়হলম্বগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙমনদা লৈবা সোসিয়েল ৱার্করস কংগ্রেস হায়না মীংথোন ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

খোঙমন জোন ফোর ফাইব মীয়ামগী য়াইফ নুপী লুপ অমসুং সোসিয়েল ৱার্করস কংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অদু চত্থখিবনি। ঙসি অয়ুক পুং ১০রোম তাবদগী হৌদুনা নুংথিল পুং ৪ তাবা ফাওবা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফমদুদা মশিং য়াম্লবা খোঙমনগী মীয়াম থোক্লক্তুনা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফমদুদা 'মতুংদা বোম য়ুম্লক্তা পোকখায়হনগনু, বোম য়ুম্লক্তা পোকখায়হনবা অমদি কিহনবা তৌবিগনু, য়ুম্লক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা মীয়ামদা অকি অখঙ পীগনু, বোম মীরক্তা পোকখায়হনবা য়ানিংদে, শেলগা মীগী পুন্সিগা মন্তিক্লগনু 'হায়বনচিংবা প্লে কার্দ কয়াসু ৱাকৎ মীফম ফল্লিবীশিংনা শিজিন্নখি।

ৱাকৎ মীফমদুদা শরুক য়াখিবী খোঙমন জোন ফোর ফাইব মীয়ামগী য়াইফ নুপী লুপকি এদভাইজরনি হায়বি এস ঐচ লন্দোনিনা হায়, মশক খঙদবা মীওইশিংনা য়ুম্লক্তা বোম্ব পোকখায়হন্দুনা লৈকাই মীয়াম অকি তুজুংবা পোকহনবা তৌবিগনু। বোম্ব পোকখায়হল্লিবদু করি মরমগীনো হায়বা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। বোম্ব পোকখায়খিবদুদা মীওই কয়া অশোক অপন থোকহনম্বা য়াই। লৈকাইদা মীরক্তা বোম্ব পোকখায়হনবগী থৌদোক অসি তোকহনবিয়ু হায়খি।

বোম্ব পোকখায়ফম অদু থিকা তৌবা ( কন্ত্রেক্তর ) থিঙুজম মুনিন্দ্রো (ইমোলুকোক) চহী ৫৭ অপোকপা নবকিশ্বর ( ওঝা তোম্বা)গী য়ুমগী গেট মনাক্কি চেকপল মখোঙদনি। পোকখায়বা অদুনা চেকপল মচেৎ খরা কায়বা নত্তনা থোইদোকপা অশোক অপন য়াওখিবদি লৈতে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোংদোরকপদদি বোম্ব পোকখায়হল্লিবদু কনানা করি মরমগীদমক চত্থবনো হায়বা খঙদে। লনাই ওইনা নুংশিনদবা মীলইসু লৈতবনা করি মরমগীদমক থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা ঙমদে হায়রি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা ইলিরবুং পুলিস ষ্টেসনগী পস্নেলশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লম্লে। পুলিসকি মতুং ইন্না পোকখায়খিবা বোম্ব অদু আই ই দি ( ইমপ্রুভাই এক্সপ্লোসিব দিভাই) বোম ওইগনি হায়না খঙহল্লম্বা লৈরে হায়না ৱাকৎ মীফমদুদা শরকু য়াখিবশিংনা ফোংদোক্লি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা বোম্ব পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরি লৈননা পুলিসতা অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিনবা লৈত্রি।

# প্রিপাক্কী রেড আর্মিগী ৩৬শুবা অপরাইজিং দেগী থৌরমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ পিপলস রিভোলুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক(প্রিপাক)কী লান্মী শিংলুপ রেদ আর্মিগী ৩৬শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে মার্চ ২৬, ২০১৬না লাকপা মিলিটরি এফিয়ার্স কম্মিটি (এম এ সি) প্রিপাক্ন মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি পাউজেল অদুনা হায়রি।

লাঙলোন লংদাইগী তাঙ্কক অমদা মীয়ামগী য়াইফ-থৌজালগা লোয়ননা লমদমসিগী লৈহাওদা পোক্লকখিবা লুপ অসিগী মফমদা মীয়াম্না থমবীখিবা থাজবা অমসুং নুংশিবা অদুগী মপান্না য়াওল্লোয় ঐখোয়না কখোকপগী থৌনা য়োকখৎতুনা য়েক্লবশিংবু মায়োক য়াবা ঙমজরক্লিবনি অমসুং কখোকপগী থৌনা অদুবু ঈহৌগী মঙাল ওইনা থম্মোয়নুংদা চেৎনা থমজরি।

লোয় লৈঙাক্না লমদমসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা চৎথরকখিবা মীহাৎ-মীপুন মীওৎ-মীনৈগী তমথিরবা থৌওংশিংনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপদগী মীয়ামগী ইহুলগী মতুংইন্না শাফোঙজখিবা রেদ আর্মি অপরাইজিং অসি কুমশিং ১৯৭৯,সেপ্তেম্বর থাদগী হৌনা চত্থবা হৌখি। চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২২, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬.১০ লুপ অসিগী লুচিং পুরেল ওইবীরম্বা ইকায় খুম্নজরবা নিংথেমচা তুলাচন্দ্রনা লুচিংবা রেদ আর্মি ৭ না মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা লন্দাদুনা খুদুম চল্লবা মতুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১৭ অমসুং নোংমৈ মরু ১,০০০ লৌখি। অনিশুবা থৌদোক ওইনা ১৯৮০ ফেব্রুৱারি ২৭ তা লম্লাই খুনৌদা লৈবা ভিলেজ ভলনটিয়ার ফোর্স (ভি ভি এফ) খুদুম চনশিল্লগা মরু ৬০০ কা লোয়ননা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১৭ লৌখি। লোয়ননা অহুমশুবা থৌদোক ওইনা ১৯৮০ মার্চ ২৬কী অয়ুক পুং ১০.১৫ তাবা মতমদা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল ময়াইদা লৈরম্বা ব্রুমেন হোস্পিটাল(চহী খরগী মমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হায়না খঙনরম্বা) অদুগী গেট ময়াদা সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট মিশ্রগী ইস্কোট পার্টিদা লন্দদুনা হবিল্ডার অমা হাৎলগা কন্সটেবল ২ শোকহল্লগা ষ্টেনগল অমা অমসুং থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমগা লৌখি। অসিগুম্বা লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা রেদ অর্মিনা চত্থখিবা মায় পাকপা লানদা কঙলৈ য়াওল ঈহৌদা ইনোৎ হাপ্তুনা নিংতম লান পুৱারিগী লমায়দা মঙাল নাইনা ইবা ঙমখিবা অমসুং কঙলৈ মীয়ামগী য়াওল ঈহৌবু মাঙলোমদা চৎখৎহনবা ঙমখিবা রেদ আর্মিগী মায় পাকপা লান্দবগী থৌদোক অহুম্বু পুন্না শুপচিল্লগা মার্চ ২৬পু 'রেদ অর্মি অপরাইজিং দে' হায়না প্রিপাক্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু অচাথাউ য়াওরবা অশাবা খাঙ মথক্তা ঙৌবগুম কংলৈপাকপু পার্ট সি ষ্টেটসতা থমদুনা লোই লৈঙাক্কী অশেংবা মশক শাফোঙদুনা চহী কয়া লৈঙাক্লকখিবা অদুবু য়ানিংগদবা কংলৈচা থীবা ফংলোই। মখা তারকপদা পেন্দ্রবা মীয়ামগী য়াওল ঈহৌ হেক লাকপগা তমথীরবা চৎন কাংলোন (লো) কয়া থমজিন্দুনা মীওৎ মীনৈ চত্থবগা লোয়ননা ফুরুপ মশেল মুক্নহনবা অমদি তুম্না হাৎনহন্নবগী থৌশিল চত্থদুনা লাক্লি হায়রি।

...মখা লমায় ৫ দা

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501